**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-01-2025)**

**ডে (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি করিদগী ওইহল্লকপনো হায়বদু মীয়ামনা খঙনবা হৌরক্লে। রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা মীয়ামনা সরকারদা মতেং পাংবীবগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাফম অসি থৌবাল জিলাগী খাঙবোক মৈস্নাম লৈকাইদা লৈবা য়ু.ৱাই.সি. গ্রাউন্দদা মীয়ামগা ৱারী-ৱাতাই শান্নবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাকবা সরকারনা মতম চুপ্পদা হোৎনদুনা লাক্লি। রাজ্য অসিদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমগী মমাংদগী লৈমিন্নরক্লিবা কাংলুপ অমত্তগী মায়োক্তা সরকার অসিনা থবক তৌখিবা লৈতে। রাজ্য অসিবু তোখায় তানবা হোৎনরিবশিংগী মায়োক্তা লৈবা খক্তনি।

থৌরম অদুদা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং নীংথিনা তাবগা লোয়ননা খাঙবোক্তা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। মফম অদুদা লৈবা লৌহোনবী লৌকোন, কৈফা লৌকোন, কিয়াম লৌকোন অমসুং তেন্থরাম লৌকোনগীদমক ৱাটর পম্প পীনবগীদমক লুপা লাখ ৫০ কায়থোক্লে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা লাউথোকখি। খাঙবোক্তা ওপন জিম অমা শেমগৎলগনি হায়নসু মহাকা মীয়ামদা থাজবা পীখি। ইকোক পাৎ অমসুং লৌখোঙ পাৎ নীংথিনা শেমগৎনবগীদমক লুপা কোতি অমা লাখ ২০ গী শেনফম ৱার্ক প্রোগ্রামদা হাপ্পগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা লাউথোকখি।

**ডে (এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৭৭ শুবা মার্টিয়রস ডে থৌরম পাঙথোক্লি।

ইং কুমজা ১৯৪৮ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মহাত্মা গান্ধিবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মণিপুরদসু নুমিৎ অসি রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপিতা মহাত্মা গান্ধিনা পামজরম্বা ভজন শক্তুনা হৌদোকখি।

তুংদা রাজ্যপাল- আজয়কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্পুনা রাষ্ট্রপিতা মহাত্মা গান্ধি য়াওনা লৈবাক অসিগী লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা পুং ১০ মিনিত ৫৯ দগী পুং ১১ ফাওবা মিনিত অমা চুপা সাইরেন খোঙখি।

অতোপ্পা সাইরেন অমনা পুং ১১ মিনিত ২ দগী পুং ১১ মিনিত ৩ ফাওবা খোঙদুনা থৌরম অদু লোইশিনখি।

রাষ্ট্রপিতা মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবগী ৭৭ শুবা কুমওন থৌরম মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি অয়ুক বি.টি. রোড ইম্ফালদা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে.মেঘচন্দ্র, সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবী য়াওনা দলগী লুচিংবশিংনা মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়- মতম অমদা নুমিৎ তাদে হায়নরম্বা বৃটিশ লৈঙাক সাসন মহাত্মা গান্ধিনা হিংশা য়াওদবা অহিংশা হায়বা খুৎলায় অদু শিজিন্নদুনা তান্থোকপা ঙমখি। মহাকা হায়- ঙসিদি মালেমগী মীয়ামা মহাক্কী অহিংশা অসিবু পামরক্লি। শ্রী ইবোবীনা হায়- মালেমদা ওইরিবা খুৎলায়গী মুকবা অসি মহাত্মা গান্ধিগী অহিংশাগী পাম্বে নত্তনা শান্তি

পুরকপা ঙমলোই। মহাত্মা গান্ধিনা ফোংদোক্লম্বা ৱাফম অসি ঙসিদি ঈশ্বরনা পীরম্বা ৱাফমগা চপ মান্নরে।

**কোকোমি (এল)ঃ** কো-ওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না অৱাং নোংপোক লমদম অসিবু নার্কো টেরোরিষ্ট ইমর্জেন্সি ষ্টেট ওইনা লাডথোকবা দাবী তৌরি।

ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কোকোমিগী কনভেন্নর-খুরাইজম অথৌবনা হায়-কমিতি অসিগী অখন্নবা জেনরেল বোদি মীফম অমা ঙসি ফমদুনা মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা থবক কয়া পায়খৎনবা ৱারেপ লৌরে।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা লান্দারক্লিবা অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা সসপেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) হন্দোকবা, এ.আর.সি. চৎনহন্নবা অমদি নেসনেল হায়ৱেশিং হাংদোকহনবনচিংবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়ামরুম লৌরে। কমিতি অসিগী অনৌবা চৎন-কাঙলোন অমসু শেম্বগা লোয়ননা অনৌবা সব-কমিতিশিংসু শেমদুনা খুদক্তগী থবক পায়খৎপা হৌনবা ৱারেপ অসি লৌবনি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা চাইরেন খুনৌ হিল রেঞ্জ এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-কিলোগ্রাম মঙা লুম্বা আই.ই.দি. অমা, এসোল্ট রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি সিক্স ঐচ.ইগী গ্রেনেদ অনি, স্মোগ সেল অমা, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদ অমা, ফ্যুজ অমদি দিটোনেটর য়াওবা পেক ষ্টিক অমা

য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

হীরম অসিগী মতাংদা ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

**মীয়াম (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ পোরোম্পাৎতা লৈবা দি.সি.ওফিস কমপ্লেক্সকী পঞ্চায়েট ভবনদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পুন্না মীওই লিশিং ১, ০৫৩ না শরুক য়াখি। ৱাকৎ ৯৯৬ লাকখি। মদুগী মনুংদা, ৱাকৎ ১৯২ মায় পাকা লোয়শিনখি। পুন্না তোঙান তোঙানবা বিভাগ ৩৬ না শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং জিলাদা প্রধান মন্ত্রি ক্রিসি সিনচাই য়োজনাগী মখাদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা ঙসি হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

জিলা অদুদা য়োজনা অসিগী মখাদা লৌউ শিংউগী থবক থৌরম খুমাং য়াংনা চাউখৎহন্নবা ইথৈ লৌখোং শেমগৎলিবা অদু হকথেংননা য়েংশিনখি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা সেরৌদা নৌনা লাঞ্জেন্নরিবশিংগী খুন্দা লৈতাহন্নবা শাবা য়ুম ৪৯ গী ফিভমসু য়েংশিনখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী সি.দি. ব্লোক্কী মখাদা লৈবা কৈরক গ্রাম পঞ্চায়ট, ইরোং চেশাবা গ্রাম পঞ্চায়ট অমদি লাংমৈদোং সি.দি.ব্লোক্কী মখাদা লৈবা হিয়াংলম গ্রাম পঞ্চায়ট অমদি ৱাইখোম গ্রাম পঞ্চায়টকী অখন্নবা গ্রাম সভাগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

পিপলস প্লান কেম্পেইন ২০২৫-২৬ কা মরী লৈননা হীরম অহুমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হকশেল, ফিসরিজ, ভেটিরিনারি, শিক্ষা, লৌউ শিংউ, ইথৈ-লৌখোং, হোর্টিকলচর, ইলেক্ট্রিসিতি অমদি ফোরেষ্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীহুৎশিংনা মাগী মাগী দিপার্টমেন্টশিংগী

খুত্থাংদা মীয়ামদা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিস চান্দেলনা শিনদুনা এন্তি রেভিষ্ট ভেক্সিন লেমা কাপথোকপা অমসুং হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগী থৌরম অমা জিলা অসিগী তমপী ভিলেজ, চকপিকারোং খুপি ভিলেজ, রুৱাংচাং ভিলেজ, তৌপোকপী ভিলেজ, নুঙপাল ভিলেজ অমসুং সলুক ভিলেজতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি এনিম্যেল ৱেলফিয়ার ফোরডনাইট-২০২৫ গী মখাদা পাঙথোকপনি।

**বেতি (এল)ঃ** নোনে জিলাগী আই.সি.দি.এস. সেল অমদি ৱান স্তোক সেন্টর-নোনেনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা মেস্ত্রুয়েল সাইকলগী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা তেংকোনজাং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল-নোনেদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেনিটরি পেদাংসু য়েন্থোকখি।

**মাওইষ্ট** ঃ ছাতিসগরদা নুপী তরেৎ য়াওনা পুন্না মাওইষ্টকী মীওই ২৯ ঙসি খুলায় থাদোক্তুনা সরকারদা চংজখ্রে।

মখোয় অদু রাজ্যগী মকোক থোংবা পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী ওফিসিএলশিংদা চংজখিবনি। মখোয় তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এস.পি. প্রভাদ কুমারনা হায়-ঙসি চংজরক্লবা মাওইষ্টকী মীওইশিং অদু নীংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবগীদমক ছাতিসগর সরকারনা মীওই অমমমদা লুপা লিশিং ২৫-২৫ পীখি।

**সংসদ ঃ** সংসদকী বজেট মীফম রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী ভাষনগা লোয়ননা হয়েংদগী হৌরগনি।

রাষ্ট্রপতিগী ভাষন হেক লোইবগা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা ইকোনোমিক সর্ভে পুথোক্কনি। রাষ্ট্রপতিগী ভাষনগী থাগৎপগী মোসন নিংথৌকাবা নুমিৎতা খন্নগনি। সংসদগী মীফম মথং থাগী ১৩ ফাওবা চথগনি। মীফম অসিগী অনিসুবা তাঙ্ককা মার্চ ১০ দগী হৌরগা এপ্রিল ৪ ফাওবা চথগনি।

মীফম অসিগী মাংওইননা দল পুমমক্কী মীফম অমা পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সংসদকা সভা অনিমক নীংথিনা অমদি নিয়ম চুমা চথবা য়ানবা দল পুমমকা মতেং পাংবীয়ু হায়না সরকারনা মীফম অদুদা আপিল তৌখি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়-মীফম অসিদা রাস্ত্রপতিনা ভাষন পীরবা মতুং ইকোনোমিক সর্ভে পুথোক্কনি। থাংজ নুমিৎতা কেন্দ্রগী বজেট সভাদা পুথোক্কনি। মীফম মনুংদা রাস্ত্রপতিগী ভাষন থাগৎপগী মোসনসু খন্নগনি। মীফম অসি ফেব্রুৱারী ১৩ ফাওবা চথগনি। মদুগী মতুংদা, মতম খরা মীফম লেপ্লবা তুংদা অমুক হন্না মীফম মার্চ ১০ দগী চথবা হৌগনি।

**মীতিংঃ** লৈবাক অসিগী রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লেবর মন্ত্রিশিং অমসুং সেক্রেটরিশিংগী নুমিৎ নিনি চথরকপা জাতি থাক্কী মীফম ন্যু দিল্লিদা ঙসি লোয়শিনখ্রে।

মীফম অদু কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন দাভিয়ানা সভাপতি ওইখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা: মন্দাভিয়ানা হায়-মহাক্কী মন্ত্রালয়না রাজ্য সরকারশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগা পুন্না থবক তৌমীন্নদুনা শিন্মীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনগনি। বিল্ডিং এন্দ কন্সত্রক্সন ৱাকরশিংগী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপা হায়বসি সরকারনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা

চথুগদবা থবক অমনি।

মীফম অদুদা শিন্নীশিংগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং-অহল ওইরগা পেন্সন ফংহনবা, হকশেলগী ফিভম ফনা থম্বা, ইন্সুরেন্সকী খুদোংচাবা ফংহনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**অরবিন্দঃ** যামুনা তুরেলদা হু থাদে হায়বা ৱাফম ফোংদোকখিবা অদুগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা মরিক চুম্বা ৱাফম পীরকবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা আম আদমি পার্টিগী কনভেন্নর-অরবিন্দ কেজ্রিৱালদা খঙহল্লকখিবা অদুগী মতাংদা শ্রী কেজ্রিৱালনা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাহং কয়া হংল্লকখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী কেজ্রিৱালনা হায়-হীরম অসিগা মরী লৈননা ইমোনিয়া য়াওবা তুরেল অদুগী ঈশিং লিক্লি অহুম ইলেক্সন কম্মিসনদা থারগনি। দিল্লিগী মীখলগী মাংওইননা শেল য়েনবগী মতাংদসু কম্মিসনদা পুখৎলগনি।

**গেমস ঃ** উত্তরাখন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা হৌজিক চথরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী তকমান ৪ অমসুং লপুাগী তকমান ৪ পুন্না তকমান ৮ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী অনিশুবা মফমদা লৈরি।

করনাটকনা সনাগী ৫, লুপাগী অনি পুন্না তকমান ৭ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি। অদুগা মহারাস্ত্রানা সনাগী অনি অমসুং লুপাগী অনি ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা-ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথবালনা টি.সি.দি.এম.সি-থোংজমু ৱিকেট অমদা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু.পরহালাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দ দা ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা সি.আর.এ.য়ু. খামনাম বজারনা আর.ই.ৱাই.এস. খ্বাই নাগামপাল নমাবম লৈকাইব্ রন-৭৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-কে.সি.সি. কোংবা বজারনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু রন-৬৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা-থাউ থাংমৈবন্দনা এম.পি.এ. থৌনাওজমবু রন-৩৭৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ফোরস ক্ষেত্রিগাউনা সেদো-থাংমৈবন্দবু রন-৬৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** হাউরৈবী নোর্দন ষ্টার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিগা খুৎশমরগা হাউরৈবী কাংজৈবুংদা চথরিবা মঙাশুবা চন্দ্রনিদি ট্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-করাম এফ.সিনা হাউরৈবী এফ.সিবু পেনালতিদা পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা পি.এ.এম.এফ.সি-সেক্তানা এন.সি.পি. ময়াং ইম্ফালবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** পান্দম থৌবাল ফুটবোল ফাউন্দেসন-চরাংপাৎ মনিং লৈকাই থৌবাল জিলানা শিনদুনা আর.ৱাই.দি.ও. ক্লব-চরাংপাৎকী প্লে গ্রাউন্দদা হৌখিবা জানুৱারী মঙাদগী চথরকখিবা অহানবা রাজ্য থাক্কী পান্দম ট্রোফি অন্দর ইলিভেনগী ফাইনেল মেটচতা-থোই এফ.এ. শামরাম অমদি অন্দর থারতিনগী ওইনা এম.এফ.সি.সি. ৱাংজিংনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।